নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সী পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে, পাঞ্জল শোথরম্লবসু বেঙ্গলুরু এফ সীনা কেরলা থোইখ্রে

14 Dec, Monday (28th Match)
Mumbai City FC
vs
Jamshedpur FC
Time : 7:30 PM

বেঙ্গলুরু এফ সীগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল চন্নবা বোল কাওশিনখিবা

ভাস্কো দা গামা, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

গোৱাগী সিটি অনীদা ঙসি ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৭শুবা এদিসনগী ২৬শুবা অমদি ২৭শুবা মেটচ শান্নখি। মদুদা ২৬শুবা মেটচ অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী অমসুং চেন্নাইন এফ সী লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অদুগা ২৭শুবা মেটচতনা বেঙ্গলুরু এফ সীনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু পাঞ্জল শোথরম্লবসু ফজরকপদগী পাঞ্জল ৪-২দা মায় পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসি ভাস্কো দা গামাদা লৈবা টিলক মাইদান ষ্টেদিয়মদা ২৬শুবা মেটচ অদু নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ অমসুং চেন্নাইন লম্বা তৌনখি। নোর্থ ইষ্টতা মণিপুর মচা নিঙ্থোইঙম্বা মীতৈয়াওখি। অদুগা চেন্নাইন এফ সীদনা রেগান অহানবা ইলেভেন শান্নরোয়শিংগী মনুংদা শরুক য়াখি।

নীংশিংবা য়াই নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৫দা ২ মায় পাক্লগা ৩ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা লৈখিবনি। অমরোমদা, চেন্নাইন এফ সী মেটচ ৪দা ১ মায় পাক্লগা, ১ দ্রো চৎলবা মতুং ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ৪ ফংখিবনি।

নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মমাংগী মেটচশিং অদুদা মেটচ অমত্তা মায়থীবা নংদ্রবসু দ্রো চৎপা মশীংনা মেটচ মায় পাকপদগী য়ামদুনা পোইন্ট ৯ খক লৈবনি। মায় পাক্লবা ঙসি য়াম্না কন্না হোৎনরকখি। চেন্নাইন এফ সীগী মায়কৈদগীসু মখোয়না লৈরিবা পোজিসন অদুদগী পোইন্ট ৩ ফংদুনা কাখৎনবা হোৎনরকখি। অদুবু ঙসিগী মেটচ অদুদা অহানবা হাফতা লম্বা খরা মান্নরবসু অনীশুবা হাফতা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খূদোংচাবা খরা মাঙজখিবা অদুনা মায় পাকপা ঙমখিদবনি। পোইন্ট অমমম্ য়েন্নখ্রবা মতুং নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদ এফ সী মেটচ ৬তা পোইন্ট ১০ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরি।

ঙসি ফটোর্দা সিটিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ২৭শুবা মেটচতা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৭শুবা মিনটতা রাহুল কে পিনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু গেরি হুপরনা পীরকপা বোলদা চনখি। অদুবু বেঙ্গলুরুগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা ক্লৈতোন সিলভানা ইক্বেলাইজর অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদা বেঙ্গলুরুগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পেনাল্টি কিক্ অমা পাঞ্জল ওইহৌদবদগী মাঙজিল থারম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি। অদুবু এটেক চথুবা হেনগৎলকখিবা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

শান্নবগী ৫১শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী ইরিক পর্টালুনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মহাক্লা চনখিবা পাঞ্জল অদু টিম অদুগী কৃষ্টিয়ন ওপসেথনা কাওশিনখিবা শোট অমদা মহাক্লা খেৎচিনহন্দুনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল চনখি। ইকান কান্নদবা শুপ্পগী মিনট ২গী মনুংদা বেঙ্গলুরু এফ সীগী মায়কৈদগী লাকখিবা এটেক অমদা দিমাস দেলগাদোনা পাঞ্জল চনখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীগী মায়কৈদগী ৬১শুবা মিনটতা জের্দান মুরেনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ৩-২দা লৈরকপদগী কেরলাগী মায়কৈদা অনৌবা থৌনা অমা লাকখি। অদুবু ইকান কান্নদনা ৬৫শুবা মিনটতা বেঙ্গলুরু এফ সীগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা টিমগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সীবু ৪-২দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী ৪শুবদা লৈখ্রে।

Pos	Team Name	P	W	D	L	F	A	GD	PTS
1	Mumbai City FC	5	4	0	1	8	2	6	12
2	Northeast United FC	6	2	4	0	8	5	3	10
3	ATK Mohun Bagan FC	5	3	1	1	6	3	3	10
4	Bengaluru FC	5	2	3	0	9	6	3	9
5	FC Goa	5	2	2	1	7	5	2	8
6	Hyderabad FC	4	1	3	0	3	2	1	6
7	Jamshedpur	5	1	3	1	6	6	0	6
8	Chennaiyin FC	5	1	2	2	3	4	-1	5
9	Kerala Blasters FC	5	0	2	3	5	10	-5	2
10	Odisha FC	5	0	1	4	2	7	-5	1
11	East Bengal Club	4	0	1	3	0	7	-7	1

ঙাঙোম বালা য়াওবা রেঞ্জর্সনা গ্লাসগো থোইদুনা লীগ টেবলগী মাঙজিল থাখ্রে

গ্লাসগো সিটিবু পাঞ্জল ৫-০দা থোইখিবা বালা য়াওবা রেঞ্জর্স এফ সীগী টিম

গ্লাসগো, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

মণিপুরদগী হৌখিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলদা পুৱারী থন্লবী ঙাঙোম বালানা শরুক য়ারিবা স্কোটলেন্দগী নুপীগী ফুটবোল ক্লব রেঞ্জর্স দব্লিয়ু এফ সীনা ঙসি শান্নখিবা স্কোট্টিশ ৱিমেন প্রেমিয়র লীগকী ৭শুবা রাউন্দগী মেটচতা হান্না মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বা গ্লাসগো সিটিবু য়াম্না হেন্দুনা পাঞ্জল ৫-০দা মায়থীবা পীবগা লোয়ননা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈবা ঙমখ্রে।

পনবা য়াবদি, ঙরাং ইংলেন্দগী মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী চেনেল স্কাই স্পোর্টস ন্যুজগা বালাগা অখন্নবা ইন্টর্ভিয়ু অমদা বালানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্লা শরুক য়ারিবা ক্লব রেঞ্জর্স ৱিমেন এফ সীনা লীগ অসিগী টাইটল লৌনবগী লমজেলদা য়াওবা ঙম্বগী পাঙ্গল অদু লৈ হায়খিবনি। টিম অসিগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা য়াম্না হোৎনবা লেপ্তুবা অমদি কোচকী অকনবা মীৎয়েং মখাদা শান্নরকপা মরম্না লীগ অসিদা মমাংগী মেটচ ৬ শান্নবদা অমখক মায়থীরগা মঙা মায়পাক্তুনা টিম নিপানগী কম্পিটিসন অসিদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।

মমাংগী তরুকশুবা মেটচতা রেঞ্জর্সনা মাদরৱেলগা শান্নবদা বালানা টিম অদুগী মাপনশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। মদুনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা নুপী শান্নরোয় অমনা য়ুরোপিয়ন প্রোফেসনেল লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা ঙম্বগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবগীসু মহাক্লা অহানবা ওইরিবনি।

ইন্টর্ভিয়ু অদুদা মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ট্রেনিং তৌবগী মওং অসি ইন্দিয়াগা য়েংনরুবদা য়াম্না খেন্নে। চয়োল অমদা নুমীৎ ৫নি ট্রেনিং চথবগা লোয়ননা টিম অদুগী কোচনা শান্নরোয়শিং অদুনা চানবগী পোৎলমশিং অদুসু চেকশিন্না য়েংশিল্লি। ইন্দিয়াগী নহা ওইরিবা নুপী শান্নরোয়শিংনা হোৎনবা লেপত্রবদি য়ুরোপ্তা শান্নবা য়াবগী খূদোংচাবা অদুম্মক লাক্কনি হায়খি। মহাক্কী মায়কৈদগী লৈজবা পূম্বা পুথোক্তুনা মায় পাকপগী লম্বেলদা চঙশিনবদা শরুক অমা ওইনবা ক্লব অসিদা শান্নরি হায়খি।

ঙসিগী মেটচ অদু গ্লাসগো সিটিনা য়ুম্বু ওইরগা মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ব্রোদৱেদা শান্নখি। হৌবদগী রেঞ্জর্সনা খূদুম চনখি। বালা ৮৮শুবা মিনটতা শান্নবা চঙলকখি। অহানবা হাফতা মেগান বেল (১৯), কর্ষ্টি হোৱাট (৩৩) অমসুং জো নেস (৪৪)না পাঞ্জল চনখি। অদুগা অনীশুবা হাফতা লিজি অর্নোট (৫২) অমসুং কার্লি (৭৫)না ৫শুবা পাঞ্জল চল্লগা মায় পাকখি। রেঞ্জর্স অমসুং গ্লাসগো পোইন্ট ১৮/১৮ মান্নরবসু গোল দিফরেন্সতা রেঞ্জর্সনা হেন্দুনা পোইন্ট টেবলগী মাঙজিল থাবা ঙমখিবনি।

সাউথমটন মায় পাকখ্রে, চেলসি এভর্টনগী মখূৎতা মায়থীহৌরে

লন্দন, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ১২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা সাউথমটননা সেফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে। চেলসি এভর্টনগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখ্রে।

ঙসি সেন্ট মেরিস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা সাউথমটন অমসুং সেফিল্ড য়ুনাইটেদ লম্বা তৌনখি। মেটচকী পুংখায় অমরোম ফাওবা সেফিল্ড য়ুনাইটেদকী শান্নরোয়শিং অমদি সাউথমটনগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু এটেক চথুবগী চাং খরা হেনখিবা সাউথমটনগী মায়কৈদগী জান বেদনারেকনা পীরকপা বোল অমদা চে অদাম্সনা ৩৪শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৭ শুরকপদা মখা তানা সাউথমটননা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী দেনি ইংসনা পীরকপা বোল অমদা ষ্টোর্ট আর্মষ্ট্রোংনা ৬২শুবা মিনটতা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-০দা হেনখি। সেফিল্ড য়ুনাইটেদকী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈরক্লিঙৈ ৮৩শুবা মিনটতা সাউথমটনগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু ওরিওল রোমিয়ুনা পীরকপা বোলদা নেথন রেদমোন্দনা পাঞ্জল চন্দুনা মেটচ অদু ৩-০দা থোইদুনা লীগকী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট ২৩ ফংলগা ৩শুবদা হাইগৎপা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ১২শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা চেলসি এভর্টনগী মখূৎতা ০-১দা মায়থীবা নংখি। করিগুম্বা চেলসিনা মায় পাক্লম্লবদি মখোয়না হান্না ফংলম্বা পোইন্ট ২২দগী ২৫ ফংলগা মাঙজিল থারম্বা য়াবনি। এভর্টনগী সিগুর্দসননা ২২শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমনা মেটচকী পাঞ্জল অদু ওইখি।

সেভিয়া মায় পাকপা ঙমখ্রে, রিয়াল মাদ্রিদসু মায় পাকখ্রে

মাদ্রিদ, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

স্পেনিশ ফুটবোলগী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা লীগ টুর্নামেন্ট লালিগাগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা সেভিয়ানা গেটাফেবু পাঞ্জল ১-০দা মায়থীবা পীখ্রে। অমরোমদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদসু এটলেটিকো মাদ্রিদকা শান্নবদা পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে।

সেভিয়া অমদি গেটাফে হৌবদগী লম্বা কন্না থেংনরকখি। সেভিয়াগী টিম ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অদু মখোয়গী ১১শুবা রাউন্দনি। অদুগা গেটাফেগীনা ১২শুবা রাউন্দনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী পুংখায় হেঞ্জিল্লক্লবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল লৈনখিদে। সেভিয়াগী মায়কৈদগী চথুরকখিবা এটেক অমদা মখোয়না কাওশিনবা শোট অদু গেটাফেগী দিফেন্দর জেভিয়র এঞ্জেতানা শোয়বদগী মশাগী গোল মনুংদা থকচিনহনখিদুনা সেভিয়ানা মেটচ অদু ১-০দা থোইখি।

ঙসি অঙনবা শান্নবা মেটচ অমদা মমাংগী চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মাঙজিল থারম্বা এটলেটিকো মাদ্রিদপু ২-০দা থোইখি। রিয়াল মাদ্রিদগী মায়কৈদগী অহানবা অমসুং অনীশুবা হাফতা পাঞ্জল অমমম্ চনখি। ১৫শুবা মিনটতা টোনি ক্রুজনা পীরকপা বোলদা কাসিমিরোনা পাঞ্জল চনখি। অদুগা অনীশুবা হাফতনা রিয়াল মাদ্রিদগী এটেক অমদা ৬৩শুবা মিনটতা এটলেটিকো মাদ্রিদকী শান্নরোয় জান ওব্লাকনা শোয়বদগী থকচিনখিবা বোলনা রিয়াল মাদ্রিদকী অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইখি।

রিয়াল সোসাইদেদনা আইবারগা শান্নবদা পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎপদগী পোইন্ট টেবলদা সোসাইদেদ মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে।

আর বি এসনা ৱর্দর ব্রিমেন থোইদুনা বেয়র্ন ম্যুনিককা পোইন্ট মান্নখ্রে

বর্লিন, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

জর্মনিগী বুন্দেসলিগা ফুটবোল টুর্নামেন্টতা আর বি এস (রাসেনবোলস্পোর্ট) লৈপজিগনা ৱর্দর ব্রিমেনবু ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা পাঞ্জল ২-০দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা বেয়র্ন ম্যুনিককা পোইন্ট চপ মান্না লৈমিন্নখ্রে। অদুবু ম্যুনিকনা গোল দিফরেন্সতা ৪ হেন্দুনা লৈরি।

আর বি এসনা য়ূম্বু ওইরগা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনশিনবা ঙমখি। অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা টিম অদুগী মার্সেল সাবিটজরনা চনখিবনি। অদুগা অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা আর বি এসকী য়ুসুফ পোলসেননা পীরকপা বোলদা দানিএল ওলমোনা চনখি। মেটচ অদুগী অনীশুবা হাফতা মখা তাবা পাঞ্জল অমত্তা লৈনখিদে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন লীগকী টাইটল হোল্ডর অমদি মমাং সিজনগী বুন্দেসলিগাগী টাইটলসু লৌবা ঙম্লিবা বেয়র্ন ম্যুনিকনা য়ুনিয়ন বর্লিনগা শান্নবদা ১১শুবা রাউন্দ অদু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখিবদগী পোইন্ট অমখক ফংহৌবা মরম্না রাউন্দ অদু লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ২৪ ফংলগা রাসেনবোলস্পোর্টকা চপ মান্নলা লৈমিন্নরিবনি।

পোইন্ট টেবলদা রাউন্দ ১০ শান্নখিবদা পোইন্ট ২২ ফংলিবা বেয়র লেবরকুসেননা ঙসি অথেংবদা শান্নগদবা ক্লব অদুগী ১১শুবা রাউন্দদা করিগুম্বা মায় পাকপা ঙম্লবদি মখোয়না পোইন্ট টেবলগী খ্বাইদগী মকোক্তা ২৫ ফংলগা লৈগদৌরিবনি।

ঙরাং বোরুসিয়া দোর্টমুন্দ য়াম্না হন্থবা মওংদা ভি এফ বি ষ্টুটগার্টকী মখূৎতা পাঞ্জল ১-৫দা মায়থীখি।

ইন্টরনা কাগ্লিয়ারি ৩-১দা থোইদুনা ২শুবদা হাইগৎপা ঙমখ্রে

রোম, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্টরনা কাগ্লিয়ারিবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে।

কাগ্লিয়ারিনা য়ূম্বু ওইরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাফ অয়াম্বা মতম লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল চন্নদনা লৈরকখি। হাফ অদু লোইগদবা মিনট ৩দা ঙাইরবা মতমদা কাগ্লিয়ারিগী রিকার্দো সোটিলনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা ইন্টরবু মাঙজিল থারগা মিনট ৪৫গী হাফ অদু শান্নবা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা ইন্টরগী মায়কৈদগী পুংখায় ফাজিল্লকপদা পাঞ্জল ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমখি। নিকোলো বারেলানা ৭৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অদু চনখি। মিনট ৭কী মনুংদা মখা তানা এটেক চথুবা হেল্লকখিবা ইন্টরগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা নিকোলো বারেলানা পীবা বোল অমদা দানিলো দি এম্ব্রোসিওনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা চৎখি। মেটচকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা ইন্টরগী লোটারো মার্টিনেজনা পীরকপা বোল অমদা রোমেলু লুকাকুনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মায় পাকপদগী পোইন্ট টেবলদা মেটচ ১১দা ২৪ ফংলগা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা এ সী মিলানগী মেটচ ১০দা পোইন্ট ২৬ ফংখিবা অদুগী মথংদা অনীশুবদা লৈবা ঙমখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা ১১শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা লাজিওবু হেলাজ ভেরোনানা ২-১দা থোইখি। মায় পাকপা অদুনা হেলাজ ভেরোনাগী টিম হান্না ৮শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী মেটচ ১১দা পোইন্ট ১৯ ফংলগা ৬শুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখি। মমাংগী চেম্পিয়ন য়ুভেন্টস মেটচ ১০দা পোইন্ট ২০ ফংলগা ৫শুবদা লৈরি।

বৃটেনগী এন্থোনি জোসুৱানা বলগেরিয়াগী কুব্রাট পুলেভ মায়থীবা পীদুনা হেভিৱেথ টাইটল রিটেন তৌখ্রে

চেম্পিয়ন জোসুৱাগী কিন অমা পুলেভকী মমায়দা মপূং ওইনা পানখিবা

লন্দন, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

ৱর্ল্ড হেভিৱেথ চেম্পিয়ন বৃটেনগী এন্থোনি জোসুৱানা ঙরাং অথেংবদা লন্দনগী ৱেমব্লে এরেনাদা পাঙথোকখিবা হেভিৱেথ বোক্সিংগী বাউট অমদা বলগেরিয়াগী চেলেঞ্জর কুব্রাট পুলেভপু ৯শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা নোকআউট তৌদুনা মহাক্লা মমাংদা ফংখিবা আই বি এফ, দব্লিয়ু বি ও অমসুং দব্লিয়ু বি এ টাইটলশিং অদু রিটেন তৌবা ঙমখ্রে।

ঙরাংগী বাউট অদুদা চহী ৩১ শুবদা ঙাইরিবা বৃটেনগী চেম্পিয়ন বোক্সর অদুনা বাউট অদু ৩শুবা রাউন্দদা লোইশিল্লম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা ফংদুনা বলগেরিয়াগী পুলেভপু রিং অদুগী ফ্লোরদা তুহন্দুনা রেফরিনা কাউন্ট দাউন হৌখি। অদুবু চেলেঞ্জর পুলেভকী মায়কৈদগী রেফরিনা থিখিবা কাউন্ট দাউন অদুগী মাংজৌননা হৌগৎলক্তুনা মপূংফানা অমুক শান্নবা হৌরকখি।

ৱেবল্লে এরেনাদা শুপ্পগী ভাবোক ১,০০০ খক মীৎয়েং তাহনখি।

বলগেরিয়াগী বোক্সর কুব্রাট পুলেভ ৯শুবা রাউন্দ য়ৌশিল্লকপদদি মহাক্কী মায়কৈদগী পাঙ্গল ফুদোকপা ঙমখিদে। রিংগী ফ্লোরদা অমুক হন্না জোসুৱাগী শাফু কল্লবা কিন অমনা মরম ওইরগা তুহনখি। অদুবু মশাগী চহী ৩৯শুরবা পুলেভনা হৌগৎপদা ঙাইরিঙৈ মখা তাবা জোসুৱাগী মপূংফাবা কিন অদুনা কন্টেষ্ট অদু তাঙ্কক অদুদা লোইশিনখি।

চেম্পিয়ন জোসুৱাগী ওইনা মহাক্কী প্রোফেসনেল করিয়রদা ঙরাংগী বাউট অদু থারগা অপূনবা বাউট ২৫ মায়োক্লরকপদা ২৪ মায় পাক্তুনা য়াম্না ফজবা মওংদা লৈরি। মথংগী বাউটতা দব্লিয়ু বি সীগী হেভিৱেথ টাইটল ফংলিবা অতোপ্পা বৃটেনগী বোক্সর টাইসন ফ্যুরিগা থিন্নবা য়াবগী লম্বেল অদু প্রমোটরশিংনা শিনখ্রে। বোক্সিং মশান্না অসিগী প্রোফেসনেল লম্বেল অসিদা টাইসন ফ্যুরি অমদি জোসুৱাগী বাউট অসি খৌরাংনা ঙাইনবা বাউট অমা ওইগদৌরি।

মার্সিএনা মোনাকো থোইখ্রে, লেন্স মোন্টপেলিয়রগী মখূৎতা মায়থীখ্রে

পেরিস, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

মার্সিএ ফুটবোল ক্লবনা মোনোকোবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফ্রান্সকী লীগ ৱানগী পোইন্ট টেবলদা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎপা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মোন্টপেলিয়রনা লেন্সপু থোইরগা মখোয়সু ৫শুবদা লৈখ্রে।

ওরেঞ্জ ভেলোদ্রোম ষ্টেদিয়মদা মার্সিএ অমসুং মোনাকোগী লম্বা অদু য়াম্না ঙন্না মার্সিএনা খূদুম চন্দুনা পাঞ্জল ২ হাপচিনবা ঙমখি। মঙাশুবা মিনটতা দারিও বেনেদেটোনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট ফ্লোরিয়ান থোবিননা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। শুপ্পগী মিনট ৫গী মতুংদা অহানবা পাঞ্জলগী সপ্লাইয়র ওইখিবা বেনেদেটোনা গোল স্কোরর ওইখিবা ফ্লোরিয়ান থোবিননা অমুক পীরকপা বোলদা পাঞ্জল চন্দুনা ১৩শুবা মিনটতা মোনোকোবু ২-০দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ পাঞ্জল চন্নবগী চাং নেমখি। মোনাকোগী মায়কৈদগী ৭৯শুবা মিনটতা ৱিসম বেন য়েদ্দরনা পাঞ্জল অমা চনখিবা অদু নৎতনা মখা তাবা লৈখিদবদগী মার্সিএনা ২-১দা থোইরগা মেটচ ১২দা পোইন্ট ২৭ ফংদুনা মকোক থোংলিবা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী পোইন্ট ২৮বু তানখৎলক্লি।

মোন্টপেলিয়র অমদি লেন্সকী মেটচ অদু মোন্টপেলিয়রনা ৩-২দা থোইখি। মোন্টপেলিয়রগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি ষ্টেফি, পেদ্রো অমসুং লাবোর্দেনি। অদুগা লেন্সকীনা জোনাস অমসুং কাকুটানি।

ইন্দিয়াদা দোমেষ্টিক ক্রিকেট মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০দা সায়দ মুস্টাক অলি ট্রোফিনা হৌদোক্লগনি

কোলকাটা, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না ঙসি ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা দোমেষ্টিক ক্রিকেট সিজন অদু মথং চহীগী জন্যুৱারী ১০দগী হৌদুনা সায়দ মুস্টাক অলি ক্রিকেট টুর্নামেন্টনা ওইরগনি।

মমিং লৈরবা স্পোর্টসকী মেগাজিন অমগা ৱারী শানখিবদা বি সী সী আইগী সেক্রেটরি জে শাহনা ফোঙদোকখিবদা, টুর্নামেন্ট অসি জন্যুৱারী ১০দগী হৌরগা বাইও সেক্যুর ইনভাইরনমেন্টতা জন্যুৱারী ৩১দা লোইশিনগনি হায়না ফোঙদোকখি।

জে শাহগী চেরোল অদুদা টুর্নামেন্ট অদু হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিং অদুনা মখোয়-মখোয়গী টুর্নামেন্ট পাঙথোকফম জেনশিং অদুদা জন্যুৱারী ২দগী সিজন অদুগী শেম শাবা ওইনা বাইও হবতা লৈহনগদৌরি। মেগাজিন অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকপা রিপোর্টতা বি সী সী আইগী সেক্রেটরি জে শাহগী চেরোল অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী শান্নফমগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল য়াওদ্রবসু বাইও বব্বল সেক্যুর ওইবা জোন ৬তা শান্নবা য়ারি হায়রি।

সায়দ মুস্টাক অলি ট্রোফি ক্রিকেটকী মমাংগী চেম্পিয়ন কর্নাটাকাগী টিম

তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটকী মেম্বর এসোসিএসনশিংগা মখা তানা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপগী মতাংদা কুপ্পা খন্ন-নৈনগদৌরি। মসিগা মরী লৈননা জে শাহনা মেম্বর ষ্টেটশিং অদুদা টুর্নামেন্ট অদু মপূংফানা পাঙথোকপা য়াননবা অমদি শান্নরোয়শিংগী হকশেলদা অশোয়-অঙাম লৈতনবা লৌখৎকদৌরিবা থবক থৌরমশিং অমদি প্লানশিং অদুগী মতাংদা খঙহল্লক্কদবনি হায়খি।

ষ্টেট য়ুনিট ওফিসল অমনা ফোঙ-দোরকখিবদা, বি সী সী আইগী মায়-কৈদগী টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপগী অকুপ্পা মরোলশিং অদু পীরকপা ঙাইদুনা লৈবনি। শেম শাবগীদমক্তা অৱাৎপা লৈরোইহায়খি।

ইন্দিয়াগী অনকিতানা দুবাইগী আই টি এফ দবলস টাইটল লৌখ্রে

দুবাই, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

ইন্দিয়াগী নুপীগী টেন্নিসতা নম্বর ৱান শান্নরোয় ওইরিবী অনকিতা রাইনানা দুবাইদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ১০০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা ইন্টরনেসনল টেন্নিস ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা অল হবতুর চেলেঞ্জগী নুপীগী দবলসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা চৈথেং পীরবা কুমজা ২০২০ সিজন অসিদা অনকিতা রাইনানা অহুম্লকশুবা দবলসকী টাইটল ফংবা ঙম্লি। দুবাইগী টুর্নামেন্ট অদুদা অনকিতা রাইনানা জিওর্জিয়াগী শান্নরোয় একা টেরিন গোরগোদজেগা প্যের ওইদুনা সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবনি।

ঙরাং শান্নখিবা হার্দ কোর্ট টুর্নামেন্ট অদুগী ফাইনেলগী অহানবা সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং জিওর্জিয়াগী প্যের অদুনা স্পেনগী অলিওনা বোলসোভা জাদিওনোব অমদি স্লোভাকিয়াগী কজা জুবানগী সর্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা স্পেন অমসুং স্লোভাকিয়াগী প্যের অদুনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং দিসাইদিং গেমদা ইন্দিয়া অমসুং জিওর্জিয়াগী প্যেরনা ১০-৬তা থোইরগা টাইটল লৌখি।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী কম্পোজিসন কুপ্না য়েংশিনগনি : ৱাদা

লন্দন, দিসেম্বর ১৩(এজেন্সী):

মালেমগী শান্নবগী হীরমশিংদা শান্নরোয়শিংনা থিংখ্রবা পোৎয়ান শীজিন্নৱা নৎত্রগা শীজিন্নদৱা হায়বগী য়েংশিল্লিবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (ৱাদা)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা পুথোক্লরক্লিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি শেম্বদা য়াওরিবা পোৎলমশিং অদু কুপ্না য়েংশিনগনি হায়খ্রে।

হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনা ৱাদাগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং অদুদা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কাউন্সিলনা থিংখ্রবা পোৎয়ানশিং য়াওব্রা হায়বদু য়েংশিন্নবগী থবক থৌরম পায়খৎপদি হৌদ্রি। অদুবু করিগুম্বা পোৎয়ানশিং অসি য়াওরম্লবদি ভেক্সিন অদু শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবদা অকায়বা লাক্কদৌরিবনি।

ৱাদাগী ৱারোল অদুনা মখা তারকপদা, ইন্টরনেসনল ফেদরেসন ওফ ফার্মাস্যুটিকেল মেন্যুফেকচরর্স এন্দ এসোসিএসনগা ৱারী শানদুনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা পুথোক্লরিবা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসিদা য়াওরিবা মচলশিং অদু খঙদোক্লবা হায়খিবা লৈ।

[illegible]
EMPLOYMENT NEWS

☞ 20 to 29 yrs কী মনুংদা লৈবা Office Asst. অনী পামজৈ।

☞ 2 Wheeler Mechanic 2, Car Wash Helper 2, Driver 2, Mechanic Helper 2, Tyre Fitting Helper 2, Iron W/ Mistry 2, অমসুং চেক্কী Mistry 2, Jugali 2 পামজৈ।

Please Contact :
L.G. Samurou, Brs
Mobile No. 8413973840

HL/B/6497/3/11-31/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com